"মীনম্বা ৱাহৈনা রাজব্যবহার ওইরবদি
চিরোন মখোঙ পানবা হায়বদু তাই।"
- শীতলজিৎ (থাদোকপা)

# হৈগেরেংঙৈ

## অরৈবা নুংশা শ্বর

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

তাইবঙ ফাওরকপদগী
মপু মানা পীবিরকপা
নুংশিৎ, নুংশা
ঙসিসু শীজিন্নরি
নোংমতসু মমল হায়রকখিদে
কনানসু।
হোস্পিটালগী ফমুংদা
লোংনা হিপ্লদুনা লৈরিঙৈ,
ইতোমতা করম্না
মীৎকী পি অসে
শিন্থরকখিবা খঙহৌদে,
নুংশা শ্বর হোনজিনবগী
মমল হায়রকপা।
তাইবঙ শেন্বা মপু মানা
নুংশাগী মঙাল, নুংশিৎ
লেম্না পীবিরি
নোংমতসু মমল হায়রকখিদে।
শেমজিন শাজিনবা তৌদ্রবা
মীওইবা ঐখোয়না মাঙহনখিবা
ঙাক্তনি, পাম্মুই পাম্মুই
অরেম্বদা মাঙখিগদবা।

## 'বসন্তগী মপাউ'

**—অঙোম ইবোমচা**

য়েংউ! লাক্লে বসন্তগী মপাউ
পুদুনা মলয়া নুংশিৎ নামিবনা
নংহৌররোই মতাগুম
থিন্থবা তৌদনা।
কেনহল্লরে উনা-ৱানা অরিবা
ঈংথমগী চৈনা ফংলুবা
খাঙবা কল্লু লাক্লগনি মতম
মোমোন নোকপা মায়থোঙ।
ৱাদনা নুংঙাইবা লৈতে
ঙাইয়ু খাঙউ মতমদো
শোয়দনা লাক্লনি ননাক্তা
ঙাইঙমদবা তৌগনু।
খোংলনি কোকিলসু কু-কু
মনা পুঙলবা পামেলদা
শাৎলগনি লৈরাংসু ফুগায়না
খোইমুগী মপুক পেন্নবা
য়েংউ! লাক্লে বসন্তগী মপাউ।

## শংবান্নবা অতিয়া

**—ইরোম মোবি**

ইরমদম সনা লৈবাক কৌনরম্বগী অতিয়াদি
ইশং শংই হান্না হান্নগী মতৌদুনি
অঙাং ওইরিঙৈদা উখিবদুগা মান্নরি।
মসি ফাওবদি নুংঙাই
থম্মোয় শেংনা নুংঙাইজে,
য়েংজে ঐনা মাবু নুমিৎ খুদিং
সনা লৈবাক অমগী মঙলান্দা।

## কৌরি মালংনা ঐবু

**—নাওরেম মঙ্গি**

কৌরি মালংনা ঐবু
লাকও হায়রি অচিকপদা
খুদোম্বী থিল্লি উপালশিংনা
তাক্লি অচিকপা মফম
চীংশাংনা ঙাইরি তূমিন্না।
তুরেল খোংবালদা হৌরম্বা
লাইওইরবা তেরা পাম্বীদো
চেন্থখ্রে তুরেলগী ঈচেলনা
মতমগী নোংলৈ নুংশিৎনা
লৈরাইদুসু য়াওনা পুবিখ্রে।
তেরা পাম্বী মখোঙদুদা
থোকখ্রবা থৌদোক কয়াদো
নীংশিংদুনা হৌখ্রবা ৱারীশিং
কনাগুম্বী অমদি কপহৌই
মরু ওইবা তেরা পাম্বীনি।

## শেন্বাংগী পাউজেল

**—মোইরাংথেম কুলচন্দ্র**

চহীনা নম্বো পোরবা
মশা লেঙ-ওৎপা
ঙমদ্রবা অহল'দো-
চিংথোক্তুনা থম্বীরে
মাঙ্গোলগী উখোঙ-তেন্দা।
কৌজে মচা-মমৌশিংবু
তোমাল্লো, কেতকী, য়ান্দবী
নখোয়'মুক্তা থোরকউ
হকচাংসে লেংও-লাও।
কনা'মত্তা খুল্লক্তে
না-মেনশিন্নে
তাদে তান-তানা
খুমদে কৌন-কৌনা।
শাইজিন্দা তোংলিবা-
শেন্বাং'দু খক্তি
তারি'মালে
চিরি-চার-চিরি খোংলকই
শেন্বাং মরোল লোল্লি।
শোঙ্গে-মবুক্লিংদা
হরে কৃষ্ণ হরে রাম
শিদব মপু প্রভু যিশু
হে, অল্লাহ হে তাইবঙ-মপু!
অরোইবা মিৎকুপ্পা লাক্লবদা
থাদোকখ্রে অহলদু তাইবঙপান
চৎনীংদ-চৎনীংদা
শিনীংদ-শিনীংদ!
কুইদে-
মচা-মমৌশিংদো
ননশিল্লকই চহীনা
অসুম অসুম
মিৎ খরা উরক্তা
না খরা তারক্তা
থোক্লরে মখোয়সু অসুম্না...।
থুংলরে শেন্বাং'দু-
চিরি-চারা-চিরি-চারা
মহয়নি নখোয়না ফংলিবা
হৌজিক্তি নখোয়দা 'মুক তাররে!!

## "নঙনা ওইনগনবসিনা"

**—রাজকুমারি মীনা**

নুংশিরৈ নঙনা
লৈশাৎ তম্লকপসিদা
নুংশিৎসু শিৎলি
উনাসু লেঙলি
হৈনৌ মপালসু শাৎলি
কুন্দা লৈসু শাৎলি
লৈকা ফন্না হাইনা হুম্না।
নঙসু চৎলি, মাসু চৎলি
ঐনসু ৱারৌরি।
পৈথোক্লি শাওনা
নতৌশিংদো য়েংবা ঙমদে।
চৈখি ঐবু হঞ্জিন হঞ্জিন,
খাঙখি ঐনা ফোঙদোক্তনা
কনমল্লি লৈরাং ওইবী
নঙগী ৱাহৈ ৱাতা।
কনমল্লি নঙগী ইশৌগী মতৌ।
অথোৎপা অমেংবা য়াওদ্রবা
অকনবতনা লৈতেংখ্রবী।
নঙগী মতৌ নঙগী শাজৎ
নুংশিনা য়েংবা ঙমদবা
নঙগী মীৎয়েং,
কনমল্লি নঙগী ৱাহৈ ৱাতা।
শাংলবা পুন্সিসে
নঙগীদমক লেপখিবনি।
নঙগী লৈয়েংগী
তাবুনুংদগী হায়দোরকপা ৱাহৈ
তাবা পামখিদে নফমদগী
চাওখৎপনা খমথেংলবসিদা।
চন্নদ্রবা নঙগী ৱাহৈ খরদুনা
ঐগী থম্মোয় কন্না থিনখরে
তাবদা ৱায়।
পুন্সিনা হংলি লেপ্তুনা
ওন্থোকইদা তাইবঙ মীওইবা।
তিলাং খৈনা য়োৎতুনা
নপাও অদু তম্লকউ।
শেল চঙদবা লৈতেংদি
নঙগী লৈয়েংদগী থোরকপা
ৱাহৈ-ৱাতা ফজবদুনি
নুংশি নুংশিবা ৱাঙাঙদুনি
তাবা পামজরিবা।
ফাইভ জিগী মতমসিদা
ওন্থোকপনি নঙবু কাউরব্রো
নঙনা ওইনগনবসিনা।

## হায়নৈ

**—এস কে নাওরেম**

অতনবা মীগী থবক লৈতে হায়নৈ
ইকায় খঙদবা মীগী হীদাক লৈতে হায়নৈ
হুইনাওবু চাওনবা য়োক্লগা চাওরকই হায়নৈ
উ অকংবা অরেম্বদা মাঙই হায়নৈ
মী অপংবা ৱা য়াম্না ঙাঙনৈ হায়নৈ
অশিংবা মীদি শিংনি হায়নৈ
অহল ওইর ওইরগা কনবদি ঙাঙবনি হায়নৈ
ভরাদা লৈবা মীদি যূম লৈতে হায়নৈ
অঙাং ফত্তবা তূম্বা ফংদে হায়নৈ
নুপা ফত্তবগী নুপীদি ইশৌ লাংই হায়নৈ
নুপী ফত্তবা নুপা ঙাওই হায়নৈ
লৈশাবী অরিবী ইকায় খঙদে হায়নৈ
পাখং অরিবা লৈশাবী মচা উবা য়াদে হায়নৈ
হৌদোংদি উচি ফানবনি হায়নৈ
উহৈ য়াম্না পানবা উদি তেক্কল্লি হায়নৈ
চহী য়াম্মা য়াম্মগা য়াম্বদি থবকনি হায়নৈ
উনা উনা করিনো হংবদি মীৎ উবা মীনি হায়নৈ
য়াম্না ঙাওবদি য়ু অরিবনি হায়নৈ
লাইরিক হৈতবা মীদি লাইরিক পাবা থোক্তে হায়নৈ
নিংথৌদি মনা য়াম্মী হায়নৈ
মকোক তরা পানবা মীদি রাবননি হায়নৈ
থবক শুনীংদবী নুপীদি তূম্বা পাম্মী হায়নৈ
শেল পায়বা মীদি ইনাক খুল্লি হায়নৈ
শেল পায়দবা মীদি লায়রবনি হায়নৈ
মীদি অচুম্বা হায়রবদি শাওই হায়নৈ।

## য়েন্নীংথা লাক্লমাল্লে

**—ডা. অকোইজম ইবোহল**

লমতা থাগী মপুংয়াই
লিরি লিরি হুম্লকপা
মলয়া নুংশিৎ নামিবনা
হৈনম লৈনম য়েল্লদুনা
পুদুনা লাক্লে য়েন্নীংথাগী মপাউ
যূমথোঙ যূমথোঙ খুদিংদা;
নিংথম উলেনগী চৈনাদা
মৰূ কোক্লুরবা উপাল-ৱাপাল
য়েন্নীং শাহুম ফংজবদা
মতু মমাল খিংলক্লে
হৈপাল লৈপাল খিবিকসু
ফুগায়না লৈশাৎ তম্লক্লে;
লৈরাংগী থোৎলবা লকানুংগী
খোয়থুম্নরবা লৈহীতবু খোয়দাজবা
চীংগী খোইমু খ্বাঙজেংবা
তমগী খোইমু খ্বাঙনৌবা
ঙংনা ঙংনা পাইরক্লে
লৈরাংগী লৈকা তম্নবু!
শাবী-শানৌনা খৌরাংনা ঙাইজরকপা
লমতাগী থানিল থাজ মহাকসু
কেকু লোৎপী ফোঙলক্তুনা
লোইবী চীংশাং মরুমদগী
মোং হাদনা থোক্লকনি
তাইবঙ পূম্বগী থম্মোয় হুরনি!
য়াওশঙ মানা লাকপদা
হরাও-তয়াম্বা, নুংঙাই য়াইফবা
পুবিরকপা ওইরসনু ঐখোয় খ্বাইগী
চাকথেকখ্রসনু য়াওশঙ মৈথাবগী মৈরীনা
মীহৌবা কল্লক য়েংথীবা
মীওইবগী ফত্তবা লীচৎ পূম্বা।

**মতম মতমগী ৱাখল**

# হৌজিক মতমগী শুম্মাং লীলাসি শুম্মাং লীলা হায়বা য়ারিব্রা ?



শুম্মাং লীলা য়েংলক্তবসি চৈচৎ কুমশীং ২০১৬ তগীনি। কুইরে য়েংলকখিদবা। হন্দক, ২০২৩ শুম্মাং লীলা ফেষ্টিভেল পাংথোক্লিবসিগী অরোয়বা নুমিৎতা থাজদনা অমখক য়েংবা ফংখি । তাঞ্জা চারুবগীনি । অঙাং ওইরিঙৈদগী পাম্না য়েংলকখিবা কৃষ্মেশিংগী মনুংদা শুম্মাং লীলা অসি ঐগী ওইনা অহানবদা লৈগনি। লীলাদা ঙাঙনখিবা ডাইলোগ চিনফা য়াম্না পুরকই। লীলা শান্নখিবা অহল লমন, মমিং লৈখিবা কয়াগী নাক্তা চৎলগা ৱারী ৱাতাই শান্নহৌখি। শুম্মাং লীলা ইবদা মমিং লৈখিবা ওজা নিংঙোম্বম অঙৌতোন অমদি অতৈ মশক নাইখিবা খরগা নক্লা ৱারী শাবসু ফংজখি। শম্না হায়জরবদা শুম্মাং লীলাগী মরমদা ঙল্লিঙৈদগী থিজিনজবা মীশক অমা ওইনা লাকখি,ঙসিসু অদুম নৈনজরি। ইং ১৯৭০গী পরিংদা শান্নখিবা 'খুঙ্গংগী লৈরাং' হায়বা শুম্মাং লীলাদা খুঙ্গংগী নুপী অমা শাখিবা উরিপোক লম্বোইখোংনাংখোংদগী ইবোচৌবা, নিঙোন পোকপা লীলাদা মনেম ফত্তবী শাবদা মমিং লৈখিবা খোংমন্দগী কাংঙুজম অচৌবী, 'য়োং নত্তে মীনী' হায়বা শুম্মাং লীলাদা জতাইয়ু কৌবা কাওনা য়েন অমবু লূনা তৌজখিবা মী অমা শাখিবা অহল্লুপ্তগী য়ুম্নাম ইনাকখুনবা ময়াম্না দেবদাস শাবা হায়রগা খঙনখিবা, মংসিদম বীনোদ ময়াম্না 'ডাকু জগৎসিং' শাবা হায়রগা খঙনখিবা, 'পীদোন্নু' লীলাদা ওকচিল্লাকপা শাখিবা তখেল্লম্বম নবকুমার, হেমলেট শাবা নৎত্রগা শায়োন শাফবা শাখিবা হায়রগা ময়াম্না খঙনখিবা তখেল্লম্বম ব্রজবিধু, 'ইমোইনু' লীলাদা ইমোইনু শাখিবা তখেল্লম্বম মণিকচান্দ, 'দেবদাস' লীলাদা পারু শাখিবদগী ময়াম্না পারুশাবী হায়রগা খঙনখিবা তোন্দোন, অমদি লীলা অসিমক্তদা চন্দ্রমুখি শারুবদগী চন্দ্রমুখী শাবী হায়রগা খঙনবা উরিপোক্তগী কৃষ্ণমনি , চুনিবাবু শাখিবা লোইতাম তোমাল, দেবদাস শুম্মাং লীলাগী জামিন্দার ইনাকখুনবা শাখিবা উরিপোক্তগী থাঙ্গংশাবম ইবোতোন, সনারৈ শাবী অমদি অমিনা শাবী হায়রগা খঙনখিবা কিয়ামগৈ নোবিন, মালং ফুরা শুমাং লীলাগী হিরো শাখিবা লুৱাংশংবমদগী গুল্লাব, বি এ থিবা অমদি ইম্ফাল বাবুগী ওরুনকুমার শাখিবা কোঞ্জেং লৈকাইগী সোবা, ঐগ্য তুলেশ্বর শাবা তখেল্লম্বম বুধা, অবীরখান শুম্মাং লীলাগী বীরসিং শাখিবা ঐগ্য ইবোতোম্বী শর্ম্মা, নোংপোক সেকমাইগী ইবোহল, চৈতৈ শাখিবা ঐগ্য যুগেশ্বর অসিনচিংবা কয়াসিদগী শুমাং লীলাগী হৌখিবা ৱারী কয়াগী মরমদা ৱারী ৱাখোং লৌজহৌখি। মিং পন্দুনা শৈথাবা তারবদি য়ামখ্রে খরখক পঞ্জবনি, য়াম্না ৱাৎলি,শুম্মাং লীলাগী মশক নাইখিবা উন্নজহৌখিবা অহল লমনশিং পনবগী লোইবা নাইররোই । মখোয় ময়াম্না শান্নখিবা শুম্মাং লীলাশিং মিৎমাং অসিদা মথং মথং চোংথোকলকই। শুম্মাং লীলা হৌবগী থাপ্না থিল্লকপা ধোল্লোক মখোন নাকোংসিদা তারি। থাপ্না মাইক্কী হোরোলদা নুংশিৎনা হুল্লগা অমুক অমুক পুরকপা শুম্মাং লীলা শান্নবদা মীয়াম্না নোকপগী মখোলসু তাবগুম তৌরকই ।

অয়ুক নুংথিলদা লীলা লৈগনি হায়বা মীয়াম্না খঙনদবা, নুমিদাং ৱাইরমদগী খঙহৌদনা শুম্মাং লীলা তৌনি হায়বগী পাউ খংতা তারক্তুনা লীলা য়েংবা চেনবা য়াম্না তোইনা তৌরকই। তুরেল খোংবানগী লম্পাক্তা, স্কুলগী লম্পাক্তা, বোরোই মখোংদা, লৈকাইগী মান্দপ্তা হাপ লের্ন্টন থাল্লগা মাইক খোংদুনা লীলা সেকেন্দ শো শান্নগদবা লৈ হায়দুনা মী খজিক খজিক তিনখৎনরকপা মতৌ নীংশিংলকই। শুম্মাং লীলাগী নুংঙাইবদি, য়েংদ্রিঙৈদা লীলা অমা লৈ হায়বগী পাউ তাবদুনা হেন্না নুংঙাইবা হেল্লি । শুম্মাং লীলাগী ৱাতোন্দা পানবা মাইক কুইরে উখিদবা । মাইক্কী হোর্ন উখিদবসু কুইরে । শুম্মাং লীলাগীদমক থান্নবা হাপ লের্ন্টন ৱায়ফম কনাগুম্বগী থৌওইনা লৈনরম্মী । হাপ লের্ন্টন য়াদবা শেম্ফমসু লৈরম্মী । ইম্ফাল কৈথেলদা, হাপ লের্ন্টন শেম্ফম মশা নানবা চন্দন লংনা থিনবা নুপা অহল অমা লৈরম্বদু কনা ওইরিগবা ঙসিদি নীংশিংলকই ।

হৌজিক্কী শুম্মাং লীলাসি ঐহাক্কী ওইনদি শুম্মাং লীলানি হায়জনীংদ্রি মরমদি ঙল্লিঙৈগী মতমদা ঐখোয়না উরকপা, খঙলকপা, নৈনরকপা শুম্মাং লীলা হায়বদুদগী মশক্কা য়াম্না ওন্নখ্রে অমদি হোংলকখ্রে। মফমসিদা অসিদা পল্লিবা 'শুম্মাং' হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি । মৈতৈশিংগী হান্নদগী লৈজরকপা ইঙ্খোল চাওনরিঙৈ, শুম্মাং পুল্লিঙৈগী মশক অদু ঙসি লৈরক্তবনিনা, ঐখোয়গী শুম্মাং মাঙখিবদা শুম্মাং লীলাসু য়াওশিল্লকপগুম তৌরি । শুম্মাং লীলা করিগী শান্নরম্মী, করম্বা থৌদোক ৱাথোক্কীদমক শুম্মাং লীলা য়েংনবা কৌনরম্মী হায়বসু ঐখোয় নীংশিংনদ্রে। ঐখোয়গী শুম্মাং লীলাদি যূম শঙকাবা, ইপাল থৌরম (ষষ্টি পুজা) হৈজিংখরাই পুবা-লুহোংবা, নাহুৎপা, চাকচা হৈজানবা অসিদা মরু ওইনা কৌনরগা শান্নরকখি। লাই হরাউবা, হিন্দুগী দুর্গাপুজা, কাংনচিংবদা শুম্মাং লীলা কৌরগা শান্নরকখি। দুর্গাপুজা অমদি কাং মনুংদা লীলা অনৌবা ফোঙনবা মতম্নি । নিংঙোল পাল্লিগী লীলা অখন্নবনি। করি অমুক হায়রুগনি লুহোংবা অমদি শোরাৎ ফাওবদা শুম্মাং লীলা কৌরগা শান্নরকখি। হৈজিংপোৎতা, লুহোংবা নুমিত্তা শুম্মাং লীলা শান্নৈ অমদি শোরাৎ লান্ন- থৌরমদা শুম্মাং লীলা শান্নৈ হায়বসি থেংনদ্রিবা অমদি থিজিনবীদ্রিবা কনাগুম্বদি হেক তাবদা -ই! করিনোনে হায়না ঙকলপ তৌবসু য়াই। মসি তাঙনা থোকপা থৌরম্নি। মফমসিদা পঞ্জরিবসি শুম্মাং লীলাগী মরুওইবদুনি। শুম্মাং লীলা চূম্নগী কুম্মৈ ওইরকখিদে। ওজা নাইনা তম্নরগা শান্নরকপা শুম্মাং লীলানি। লীলা শান্নফম অসি শোন্নপূঙ অমগী মশক্কি হায়না লৌনরগা লাকই। শান্নফমদা হৈথা পোৎথা তমদুনা অমদি শান্নগগৌরিবা লীলা কাঙবুগী ফি শেৎফম ফাওবা মাইকৈ নাইদুনা লাই তিন থাদোক্লগা ফি শেৎফম ওইনরকখি । লীলা শান্নবা থোকলকফম মাইকৈ অমদা হেক্তা থোকলকপা য়াদে । লীলা শান্নবা নুমিৎতা লীলাগী ফি শেৎফমদা লীলা শান্নগদৌরিবশিংনা করি তৌনরকই, হৌরমদাইদা করি লাইশোন শোল্লি অমদি মীয়াম মাঙদা অহানবা থোকলকপদা করম্বা ৱাহৈনা হায়বা হৌই। তিল্লিবা মীয়াম্বু করি ওইনা লৌরগা লীলা হৌবগে হায়বসি ঐখোয় নৈনদ্রে । লীলা অমা শান্নবা লোইরবদা লীলাবু কৌজরিবা য়ূম্বু নৎত্রগা থৌবু অদুনা লীলাগী মমল পীবদা লীলা শান্নরিবা কনাদা পীবগে অমদি করম্বা ৱাহৈ হায়নবগে ? লীলা শান্নজরিবশিংনা কৌরিবা মীদুদা অমুক অঙম্বা শেন্নিং হনবগী চৎনবী লৈরকই। শেন্নিং হনবগা লোয়ননা থৌজাল ৱাহৈসু হায়বীরম্মী । মসিদা লোয়নরিবা ফজবা মতৌ অসি ঙসি লৈরিব্রা,চৎনরিব্রা ? ঙসি হিংবীরিবা লীলা শান্নবীরম্বা অহল লমনশিং অমদি ঙল্লিঙৈগী শুম্মাং লীলা শান্নবা উবীহৌবশিংনদি শোয়দনা খঙবীবা ৱাফম ঙাক্তনি। মমাংঙৈগী শুম্মাং লীলাগী ৱারী য়াম্না চম্মী। মীবু ইলায় লায়না কপহল্লি, ইলায় লায়না ৱান্থ-ৱান্থনা নোকহল্লি । শুম্মাং লীলাগী ৱারীদা অনোকপা অকপ্পা য়াওদ্রদি শুম্মাং লীলা নুংঙাইতে হায়নৈ । ঙসিগী শুম্মাং লীলাদা নুপী শাবীশিংনা শেৎলিবা মমল য়াম্লবা ফিজেৎ লৈতেং, কেরিবা কয়া অসি ঙল্লিঙৈদা অমত্তা লৈত্তে । নুপাশিংসু ইচম চম্না শেৎনরম্মী । কা হেনবা ফিজেৎ, অকে-অমৌ শীজিন্নদে। ঙসিদি নুপীশাবীদা নত্তনা নুপা লীলা য়াওবীরিবশিংনা লিৎলিবা ফিরোল, শেৎলি চারিবা ময়াম অসি শুম্মাং লীলাগী ফিজেৎকী ৱাংমাদা লৈবগুম উই। শুম্মাং লীলাগী কোষ্ট্যুম ডিজাইন্নর লৈরে। অশেংবা তাইবংদা শেৎনরিবদগী লীলাদা শেৎপনা হেন্না মমল য়াম্বা শেৎনরে । শুম্মাং লীলা কুম্বা নুপা অমদি নুপী শাবীশিং মশক ফজরে। নুপী শাবীগদবশিং লীলাদা নুপী ওইবদগী হেন্দোক্তুনা লম্বীদা লমজাওদা অশেঙবা নুপী অমদৌনা ফজনা কেরগা চৎপা উবা হেনগৎলকই। লীলা নুপী শাবীগদবশিংনা মশম অশাংবা উখিনি হায়দুনা কোক্তা কোকশেৎ শেৎলগা চৎনরম্বদু হৌজিক্তি অশেঙবা নুপীদৌনা শম শাংনা খাক্লগা ফোঙনা চৎনরে । ফি ময়োম পুরগা শান্নবা চৎনরম্বদু মমল অতাঙবা সুটকেস বেগ পায়রগা লংফৈদগী হল্লকপগুম মশা নান্না লীলা শান্নবা হৌজিক চৎনরি। মতম অমদি লীলা শান্নবা চৎপদা একাগাড়িদা মী অনী অনী তোংলগা, লীলাদা শেৎনগদবা ফিরোলনা ময়োম অমা কোনশিল্লগা একাগাড়িগী মনিংগী কেরিয়ারদা চপ্লগা চৎনবদু উখিদ্রে। নুপী শাগদবশিং নুপাশিংনা একাগাড়ি মমাংদা তোংহল্লগা পুনরম্মী। হৌজিক্লা লীলা শান্নবা লাকপদা পার্টি পার্টিগী ওইনা বস নেক্লরে। লীলা শান্নবা চৎপদা একাগাড়ি তোংলগা চৎনরম্বদগী স্কুটরদা, লুনা মোপেদ তোংদুনা ইঞ্জিন পানবা গাড়ি মচা তোংলগা শান্নবা চৎপা হৌরকখিবসি ঐনা খঙজবদা চৈতৈ পার্টি হায়রগা খঙনবা মৈতৈ লৈমা যত্রা কম ড্রামা এসোসিএসনগী কাঙবু অসিনা অহানবা ওইগনি খঞ্জে । কনাগুম্বনা মশাগী কার ভান্দা লাক্লবসু হৌজিক্তি থেংনরি ।

ঙসিগী লীলা য়াওবীবা ইচিল ইনাওশিং মশা তনান তনান লীলা য়াওজবা অসিমদি ফিদমনীংঙাই ওই । ঙল্লিঙৈগী লীলা য়াওজবশিংদি ৱানা হৌরকখিবনা অয়াম্বা ওইখি। আর্টকী নীংথিজবা, ফজবা কয়া শুম্মাং লীলা শান্নবীবা মীওইশিংগী মফমদগী উখি। থৌগল্লোন,হৌনা লোনচৎ নাৎপু মশক খঙনা লীলা শান্নখিবসু থায়নগী শুম্মাং লীলা শান্নখিবশিংগী মফমদা উখি। অঙনবা মতমগী শুম্মাং লীলাদা বেকগ্রাউন্দ মিউজিক পীবসি য়াম্না চম্মী । শুম্মাং লীলা কাঙবুনা অপীকপা ধোল্লোক অমা শীজিন্নৈ । ধোল্লোক অসি পীকচরগসু মখোল হৌইময়েক শেংঙি । শুম্মাং লীলাগী ধোল্লোক অমদি করতাল মচা অদুনা লীলা অমগী ৱারী অমগী হৌবদগী লোইবা ফাওবা ফমশেন্নদুনা লাকই। শুম্মাং লীলাদা শীজিন্নরিবা মিউজিক অসি ঙল্লিঙৈদদি ধোল্লোক অমগা করতান মচা অমখক্তগনি। ঙসিদি শুম্মাং লীলাদা ধোল্লোক করতালগী মফম লৈত্রে । লীলাগী তাঙ্কক সিন হোংলকপদা লীলাগী ক্লাইমেক্স শাগৎলকপদা ধোল্লোক্লা অচৌবা মফম লৌরম্মী । পৌরানীক লীলা হায়দুনা শুম্মাং লীলা অরীবা মখল খরা অমদি মোইরাং পর্ব্ব শুম্মাং লীলাগুম্বদনা ধোল্লোক অসি অমুক্কা হেন্না মরুওই। শুম্মাং লীলাদা কৈ য়াওবা ফোক লীলাশিংসু শান্নরকখি। কৈ থোকলকপগী পুংলোন তোঙাল্লি। কৈ থোকলকপদা ধোল্লোক শীজিন্নৈ। হৌজিক ওইবা তারবদি কৈ থোকলকপগী মিউজিক তোঙানলগনি। হোংলক্লিবা ময়াম অসিনা ইশম শম্না হায়জরবদা শুম্মাং লীলাগা মীয়ামগা লাপথোক্লরকপসি কুইরে। হৌজিক শুম্মাং লীলা শান্নবা তারবদি লম্বী লমজাও থৎলগা ফম্বাক শারগা শান্নরি। শুম্মাং লীলা অমা শান্নবা তারবদি লীলা খক কৌবদা নত্তনা শান্নফম (ষ্টেজ) ফম্বাক শানবসু অমুক তোঙান্না নেক্লরি। লীলা শান্নবগী পৈশাগী মথক্তা ফম্বাক শাহন্নবা নেকপগী, ইলেকত্রিক মৈঙান নেকপগী পুন্না লীলা অমা য়েংনবা কৌবদা লুপা লাখ অমা হায়বসিদি অদুম চঙখ্রগনি। মতম অমা লীলা কৌবদা লায়না কৌবা ঙল্লম্বদু ঙসিদি ঙল্লরোই । ফিভম অসি লাকপনা,শুম্মাং লীলা মীয়াম্না য়েংনবা ৱাৎপা অখন্নবা খরগী য়েংহনবা নত্তনা শুম্মাং লীলা অসি মীচম মীয়ীমদগী লাপথোকলকখি। হৌজিক্কী ওইরিবা অমদি উরিবা শুম্মাং লীলাগী মওং অসি অশেঙবা শুম্মাং লীলানি হায়বসি য়ানীংলক্তে। শুম্মাং লীলা অশেঙবা কনবা হায়বসি শুম্মাং লীলা শান্নরিবা অমদি অশেঙবা লীলা ইবা মী হিংহন্দনা ওইথোক্লোই। লীলা শান্নবা মী হিংহন্নবা পোলিসি পুথোকপীরগতদা অশেংবা শুম্মাং লীলা উবা ফংগনি, হিংহনবা ঙমগনি। ফম্বাক শেল্লগা মথক্তা শুম্মাং লীলা শান্নহল্লিবসি মসিদগী শুম্মাং লীলা অদুমক মশক ওনবা হৌরে । মী উনবনি হায়দুনা শুম্মাংগী মশক মাঙহল্লগদি য়োকখৎলিবা হিংহল্লিবসি করিনো ৱাহংসি হংনীংঙাই ওইরকই।

- মাখোনমনি মোংসাবা

**ৱারী ককনাউ**

# অকংবা অঙাংবা গুলাপ -৮

"ইতাও নুপী হায় জাৎসে য়াম্না থাজগল্লি। ওইরোইদবা থবক্তা য়াম্না ... হায়দি কৈ হায়নি, কৈনোদো? কৈনো হায়দি কৈনোদো?" ঐ পোৎ খরা পায়শিল্লুবদগী লৈয়েংসু ফাইরে, কোকসি উরু রু রু... কন্না লৈখৎলক্লি। ঐনা হায়নীংলিদো ঐগী ৱাখলদদি লৈরগা পাক হায়দোকপা ঙমদবগী টাইপতু য়ৌরে। ঐগী ৱাদুদা ঐগা পোৎ পায়মিন্নরিবা ইতাওদু ঐঙোন্দা মুন্না য়েংলগা মা ওইনা তরং চৎলে।

"ইতাও ইতাওনা কৈনোদো কৈনোদো হায়রিদুবু কৈনোরো?

"মানি ইতাও কৈনোনি"

"কৈনো হায়দি"

"কৈনোদো?"

"ওহ কৈনোদো" ইতাওদু 'ও' হায়রগা মা হৌজিক ফাওবা লৌশিং তারক্ত্রিবা মাল্লি। ঐঙোন্দা মুন্না য়েংলি, ৱাসু লানসু অমত্তা ঙাঙদে। মখূৎতা পায়রিবা গ্লাসতু মচিন্দা থোক থাংজিল্লগা থোক লাওনা মখনাওদা হৈজিনখি। অদুগা কাঙহৌদু কোৎলগা প্রোক প্রোক শাইরগা ঈশিংদু খজিক অমুক থল্লগা তপ্পা হায়রকই।

"ইতাওগী কৈনোদু..."

"হেরা ঐ কৈনোদু হায়দ্রিবো?"

"হায়দ্রিমাল্লে খল্লি ইতাও"

"হায়গে ইতাও, নুপী হায় জাৎসে, কৈ হায়নি, কৈনোসি হায়দি ঐনা তাৎ-পাৎ, উৎ-পাৎ তৌরগা ঙাঙবসে য়াম থাজৈ"

"হেরা অদুদি ইতাওগীদুদি লানদ্রো"

"লানদেবো"

"অদুদি য়াদেদা ইতাও, শাথীনা লাল্লিদা"

"লানদেমি"

"লাল্লিদা ইতাও, নুপীমখৈনা তারগা ৱাদু য়াম ফজদেদা, অকাইবা লাক্কনি"

"ইতাও ঐগীসি খুদম লৈদনা হায়রিনি কৈনো"

"করি খুদম, অদুদি খুদম পীয়ু"

"ঐগী নুপীনা মসিগী খুদমনি"

"হায়দি?"

"হায়দি, ঐনা থায়না কোয়রম্বী নুপী অমা মাগী নুপাদুনা অতোপ্পা নুপী অমগা লৌরগা নুপী অতোনবীগী ময়ূমদা য়াওং ইন্দুনা লৈখ্রে। অদুদা মা ফজনা ৱারে, নোংমা ঐগা থেংনবদগী ৱারীদু তাবদা নুংঙাইতদুনা ঐনা মাগী দুকান ফমজবদুদা মতেং পাংশিন্দুনা শেল খরা থাদৈ, মদৈ হেন্দাক্তুনা ৱারী ৱাতাই খরা খরা শুম শুম শানবনি, মদু ঐগী নুপীনা খঙঙে"

"ফজরেনে ৱারী ফাওদি, মখাদি...?"

"মখাদি ঐগী নুপীদুনা ঐঙোন্দা লান তৌরে?"

"অদুদি মশানা তৌ তাবনি"

"অদুবু ঐনা মঙোন্দা মতুং অমুক হন্না তৌজররোই হায়না থোক হায়জিল্লে, অদুই মথক্তা থোক লাওনা খুরুমশিল্লে। অদুদদি মা শাওবদু হন্থরে"

"এ! নুপীদা খুরুম্মীবা"

"কৈনো ইতাওনা হায়রিদুবু? নুপীদি মী নৎত্রো? নুপীদা খুরুম্বা য়াদে হায়বা লৈব্রো?"

"লৈবুদি লৈরমদবা য়াই, অদুবু ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদদি মদু কয়া চৎনদে"

"চৎনবা চৎনদবা ঐদি খুরুমসিল্লে, মানা শাওরিদু হন্থরগা লোইরে হায়দনা"

"ইতাওগীদুদি খিত্তংদি হেনমল্লি"

"হেনদে হায়বনি, লাই নুপী ময়াম অমদা ঐখোয় বোম বোম তুখৈ খুরুম্মীদুদি?"

"অদুগা খেন্নৈমী"

"য়ারে ইতাও, ইতাওগী মরৈদু তৌরক্লনু, ঐগীদি ঐনা পাম্মীবদু ফংলগা লোইরে। অদু ঐ ফংখ্রে"

অদুদি নঙগী শেল থাদবী নুপীদুগা কৌনদ্রে, মরী তৎনরে"

"কাইদৈনোদা, তৎনবদি লায়রদনা হেন্নদুম মরী নকশিন্নরে"

"এ কমাইনা?"

"হান্নদি খরা কোম্না মরীদু শল্লম্বনি হৌজিক্লা চেকশিন্না শম্নরবনিনা, য়াম্না চেকশিন্না ফোনদা করিদা কয়া ৱারী তৌদ্রে"

"অদুদি কমাইনা শানরিবা?"

"ইশা ইশা দাইরেক্ট উনরগা শানরেদনা"

"কাইদা উনরিবা?"

"অচিকপা, লাংদবা, মফম কয়াদা"

"অদুদি নঙনা নঙগী নুপীদা খুরুমুরিদুদি করি কান্নরি"

"অদুনে ঐনা কৈনোনি হায়দো?"

"হেরা ইতাও, নঙগী কৈনোসিদি মরীল চুমদেদা। অদু ফত্তে, নঙ মদুগী থবক্তু থুনা থাদোকউ"

"ইতাও নুংশিবসিদি ব্লাইন্দনি হায়সে চুম্মী, হন্দ্রেদ পর্সেন্ট চুম্মে"

"চুম্মীদু লাল্লিবনি"

"লানদে"

"চুম্মীদুগী মরুমদা লৈরিবা অরানবা কয়াদো মশক মুন্না খঙনবা অমুক্তা হোৎনৌ"

"ইতাওগীসিদি য়ু ঙাওবগী টাইপতা ঐবু অঙাওবা তাহনবদৌনা তৌরে"

"অদুই ৱা নত্তে ইতাও"

"ঐ মাবু কাউবা ঙমদে"

"অদুদনি ঐনা লাল্লি হায়রিসে"

"সিবু ঐনা লাল্লিরা, সিবু নুংশিবা নৎত্রো?"

"নুংশিবদু লাল্লিবনি"

"হেরা ইতাওগীসিদি ঐঙোন্দা সুম খৎনবা হৌবগী মওংদা লাক্লেদা, নুংশিববু লাল্লি হায়রদি ইতাওগীদু ফৈজে অমা চৎত্রো?"

"মরম চাদনা নুংশিবদুনে লাল্লি হায়রিসে, কৈনোনে য়ু খরা হেক থকপগা ইতাওগী মরৈ য়েৎপীসি হৌজিকফাও তৌরিনে"

"এ মরৈ য়েৎলিসিবু ইতাওরো ঐরো?"

"ইতাওনিনে"

"য়ারে য়ারে ৱা হায়নররোইসি, ঐ খঙএ ইতাওগীসি ঐবু য়াম্না এন্টি ওইবৈ ৱানি" হায়রগা ঐ ফুক লাওনা হৌগৎলি। ঐদি কাল্লিবোই নীংই অদুগদি হৌগৎপগা ঐ অদুম তুশিল্লে। মখা ঐনা লৌশিং লাকপদদি ইতাওনা ঐবু কোক্তা ঈশিং হৈরগা চিন্দা চমপ্রা মহি শুমজিন্দুনা লৈরম্মে।

-নরেন্দ্র নিংঙোম্বা

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।